## এয়রক্রাফ করিয়রদা পোজিটিভ কেস ৫০ থেংনরে

পেরিস, এপ্রিল ১০ (এজেন্সি) :
ফ্রান্সকী ফ্লেগসিপ এয়রক্রাফ করিয়র চার্লস দি গৌলগী কৃমেম্বর ৫০ চাংয়েংদা অনৌবা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরল্লে হায়না ইরাই নুমিত্তা আর্মদ ফোর্সেস মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা মিনিষ্ট্রি অসিনা হায়খি মদুদি, লাইচৎ শন্দোরকপা লাকশিন্নবা লৌখৎপা থৌরাং ওইনা হিরোয় ৩ করিয়র অদুগী হোম পোর্ট ওইরিবা সাউদর্ন ফ্রান্সকী তৌলোনদা লৈবা মিলিটরি হোস্পিটাল অমদা প্লেনদা পুখ্রে।

## দাওনলোদ তৌনবা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১০ (এজেন্সি) :
কোরোনাভাইরস পান্দেমিক থেংননবগী পান্দমদা লোঞ্চ তৌখিবা আই ও এস অমসুং এন্দ্রোইদ সিষ্টেমশিংগী ফোনশিংদা শীজিন্নবা য়াবা এপ আরোগ্যা সেতু মোবাইল এপ দাওনলোদ তৌননবা য়ুনিয়ন হ্যুমেন রিসোর্স দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর রামেস পোখ্রিয়াল নিসঙ্কনা ইরাই নুমিত্তা লৈবাক অসিগী মহৈরোয়শিংদা আপিল তৌখ্রে। প্রাইভেট-পব্লিক পুন্না শরুক য়াদুনা পুথোকখিবা এপ অসিনা ব্লুটুথ অমসুং আর্টিফিসেল টেক্নোলোজিশিং শীজিন্নরি।

## কোরোনাভাইরস মীশিংগী চাংদা দোক্তরশিং ঙক্লখ্রে



ন্যু য়োর্ক, এপ্রিল ১০ (এজেন্সি) :
অমেরিকাগী কোরোনাভাইরস ক্রাইসিসকী ইপিসেন্টর ওইরিবা ন্যু য়োর্ক সিটি ষ্টেটনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা নোংমখক্কী মনুংদা কোভিদ-১৯না মী খ্বাইদগী য়াম্না শিহনবগী অতোপ্পা রোকোর্দ অমসু থমখিবগা লোয়নননা পেসেন্টশিংগী হকচাংগী ফিভম শোকচিল্লকপগী খোঙজেল অমসুং শিবগী চাংদা সিটি অসিগী ভেটরন দোক্তরশিং অমসুং নর্সশিং ঙক্লরে হায়রি।

ন্যু য়োর্ক ষ্টেট খক্তদা রেকোর্দ তৌবা কোরোনাভাইরসকী ইনফেক্সনগী মশিং য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ১,৫০,০০০ রোম য়ৌখি। চৈরকসিদা ওথোরিটিশিংনা লাইচৎ অসিদা শিরিবা ওফিসল ওইবা মী মশিং অসি য়ুম-য়ুমদা শিখিবা কয়া থাদবনা পীরিবা মশিং অসিদগী হেনগনি হায়না চেকশিনৱা ফোঙদোকখ্রে।

পীরিবা ওফিসল মশিং অসি অতৈ ফেক্তর কয়াগা লোয়নননা য়েংশিনবা চঙই হায়না ন্যু য়োর্ককী গভর্নর অন্দ্রু কুমোনা ফোঙদোকখি।

ভাইরস অসিনা অশোনবা মীওইশিং অমদি হান্নদগী মশাদা হকশেলগী প্রোব্লেম কয়া লোয়নরবা মীওইশিংদা এটেক তৌই। অসিগুম্বা মীওইশিংবু ঙাক-শেনবা নৎত্রগা কন্নবা হোৎনবা হায়বসি ঐখোয়গী সোসাইটিগী থৌদাংনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

চৈরকসিদা, দোক্তরশিং অমসুং নর্সশিংনা হায়রি মদুদি, শাথিরবা ভাইরস অসিনা এটেক তৌদুনা অশিবগী খয়াত্তা লংশিল্লিবা মীওইশিং অসি অহল ওইরবা পেসেন্টশিং অমসুং হান্নদগী মশাদা হকশেলগী প্রোব্লেমশিং লৈবা মীওইশিংদা নত্তনা নহা ওইরিবা মশা-মঔ ফবশিংদসু থোক্লি। পেসেন্টশিং য়েংবদা মশা-মঔ ফনা উই। হংবদসু মশাদা থোইদোকপা তৌদে হায়রম্মী। অদুবু মতম খরা লৈরগা লায়েংবদা ইকান কান্নদবগুম থোকই হায়না য়ু এসকী ওইনা কোরোনাভাইরস লাইচংকী ইপিসেন্টর ওইরিবা ন্যু য়োর্ক সিটিদা লৈবা মাউন্ট সিনাই হোস্পিটালগী নর্স অমা ওইরিবা দাইয়ানা তোরেসনা ফোঙদোকখি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুংথিল ফাওবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা কোরোনাভাইরসনা থোকহনবা য়াম্না লৌনগনবা লংসকী লায়না কোভিদ-১৯গী কেস ৪৩০,০০০ লোম কনফার্ম তৌখি অমসুং লায়না অসিনা শিহনবা মী মশিং ১৪,৭০০ তগী হেনখি। থংন-থংননা অনীরকশুবা নুমিৎ ওইনা ভাইরস অসিনা পুং ২৪গী মনুংদা য়ামদ্রবদা মীওই ১,৯০০ শিহনখি। ন্যু য়োর্ক অসি গভর্নরশিংনা মীয়ামদা য়ুমদগী হেন্দোক্তনা লৈনবা ওর্দর তৌখ্রবা ষ্টেট ৪২গী মনুংদা অমনি।

## 'টেরর গ্রুপশিংনা কোরোনাভাইরসকী শাথিবা ষ্ট্রেনশিং শীজিন্নরগা এটেক চখরকপা য়াই'



ন্যু য়োর্ক, এপ্রিল ১০ (এজেন্সি) :
নোভেল কোরোনাভাইরসকী শাথিরবা ষ্ট্রেনশিং টেরর গ্রুপশিংগী মখুৎ চল্লত্তুনা ভাইও-টেরর এটেক্তা মখোয়না খুৎলায় ওইনা শীজিন্নরকপা য়াই হায়না য়ু এন সেক্রেটরি-জেনরেল এন্টোনিও গুটরেসনা চেকশিনৱা ফোঙদোকখ্রে।

শগোলশেল নুমিত্তা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা অচিকপা মীফম অমদা শরুক য়ারবা মতুংদা গুটরেজকী অতেনবা প্রেস ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, কোভিদ-১৯ পান্দেমিক অসি মালেম্না হৌজিক থেংনরিবা খ্বাইদগী লুবা অহানবা হেল্থ ক্রাইসিস ওইবা মরম্না মসিনা মালেম পুম্বদা চৈথেং চাওনা পীরকপা য়াবগা লোয়নননা পান্দেমিক অসিনা ইন্টরনেসনল পিছ অমসুং সিক্যুরিটি ঙাকপগী থবক্তসু অচৌবা থ্রেট অমা পীরি। মসিনা সোসাইটিদা ইরাং অমসুং হাৎন-শুনবা হেনগৎহন্দুনা ঐখোয়গী লায়না অসি থেংনবা ঙম্বগী পাঙ্গলদসু চাওনা শোকহল্লকপা য়াই।

পান্দেমিক অসিগী মতাংদা পাঙথোকপা য়ু এন সিক্যুরিট কাউন্সিলগী অহানবা দিস্কসনদা গুটরেসনা ভিদিও কনফরেন্সকী খুথাংদা গভর্নমেন্টশিংনা লাইচৎ অসিদা মায় ওনশিন্নরিঙৈদা টেররিষ্ট গ্রুপশিংনা খুদোংচাবা লৌবগী তাঞ্জা অমা ফংখিবা য়াই হায়খি।

## ৱুহানদা লোকদাওন কোমথোক্লবসু লেপ্তুনা টেষ্ট তৌরি



ৱুহান, এপ্রিল ১০ (এজেন্সি) :
মালেমগী কোরোনাভাইরস পান্দেমিক্কী হৌরফম ওইরিবা চাইনাগী ৱুহান সিটিদা থা অনী চুপ্পা থল্লম্বা লোকদাওনগী থৌরাংশিং কোমথোকপা হৌখ্রবসু মফম অসিদা ওথোরিটিশিংনা মীয়ামদা কোভিদ-১৯ গী টেষ্টশিং চাং নাইনা চখুরি হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

চাইনানা কোরোনাভাইরস লাইচৎনা শোকহল্লবা ইকনমি মহৌশাগী ফিভমদা লাকহন্নবা হোৎনবদা মীৎয়েং থম্বগা লোয়নননা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অমুক হন্না লাক্কদ্রা হায়বগী অকিবা লৈবনা মরম ওইদুনা ৱুহান সিটিদা চিংনবা মীওইশিংদা মখা তানা কোভিদ-১৯গী টেষ্টশিং চখুরিবনি।

মপান্দগী ভাইরস পল্লম্বা য়াই হায়না চিংনবা মীওই কয়া চঙশিল্লকপা অমদি লাইওং উত্তবা পেসেন্টশিং দিটেক্ট তৌবা ঙম্বগী কেপাসিটিদা মখা তানা নুংনাংনবা লৈবগা লোয়নননা ৱুহানদা লৈরিবা গভর্নমেন্টনা মীয়ামদা লায়না-লাইচৎ অসিগা মরী লৈননা মীৎকুপ-নাহুম শীংনা লৈ হায়বদু খঙহন্নবা হোৎনরিবনি হায়রি।

ৱুহানগী তানহুলিন কৌবা মফম অমগী ফিভম কুপ্না য়েংশিল্লিবা কম্ম্যুনিটি ৱর্করশিংগী গ্রুপ অমা চল্লাইরিবা ফেং জিংনা হায়খি মদুদি, ইরাই নুমিত্তা গভর্নমেন্টনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা জর্নেলিষ্টশিংগী টুর অমদা সিটি অদুদা লৈরিবা মীয়ামদা কোভিদ-১৯গী চেকশিং পাক শন্না চখিগনি।

ঐখোয়না নুমিৎ খুদিংগী হেল্থ চেকশিং মপুং পানা পাঙথোক্তুনা মীয়ামগী হেল্থ কন্দিসনগী মপুং ফারবা রেকোর্দশিং নীংথিনা থম্মী হায়না ফোঙদোকপগা লোয়নননা মহাক্না হায়খি মদুদি, মহাক্কী কম্ম্যুনিটি মরক্তা লাইওং উত্তবগী কেসশিং লৈরম্বা য়াবগী ফিভম লৈতে। হৌজিক ঐখোয়গী এরিয়া অসি নুমিৎ ৪৫ নিগী মমাংদা লৈখিবা মওংদা লাইচৎ অসিনা শোকহনবা মফম অমা ওইদ্রে। চাইনিজ লিদরশিংনা লৈবাক অসিগী শেল-থুমগী ফিভম অমুক হন্না ফগৎহন্নবগী থৌরাংশিং লৌখত্তুনা দোমেষ্টিক দিম্মান্দ হেনগৎহল্লগনি অমসুং মীওই কয়া মখা তানা থবক্তা মাই ওনশিনহল্লগনি হায়না থাজবা পীখিবা মতুং ইরাই নুমিত্তা লৈবাক অসিদা কোরোনাভাইরসকী কেস হন্থরকপগী ফিভম উখিবনি।

## কোরোনাভাইরসনা এসিয়াগী সমুদ্র মপানশিং পুমচিক চীকহনখ্রে



বালি, এপ্রিল ১০ (এজেন্সি) :
শুপ্নগী চয়োল খরখক্কী মমাংদা ইন্দোনেসিয়াগী বালিগী মমিং লৈরবা লৈঙোই অমসুং সর্ফিং স্পোট ওইরিবা কুতা বিচ য়াম্না কাহেন্না মী চিনমল্লি হায়না ভিজিটর খরনা কমপ্লেন তৌনখি।

মালেম পুম্বগী ওইনা মীওই ১০০,০০০ লোমগী পুন্সি লোমহনখ্রবা মীওই মিলিয়ন ১.৫ হেন্না শোকহল্লবা অনৌবা কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা থিংনবা লৌখৎলকপা থৌরাংশিংগী শরুক ওইনা মফম অদুদা চঙবদা ওথোরিটিশিংনা অথিংবা থমখিবদগী মফম অদু হৌজিক্তি পুমতাক তাক্লে। বালিদা লৈরিবা শক্তম অসিমক সিদনিগী বোন্দি বিচ অমসুং থাইলেন্দগী ফুকেটকুম্বা এসিয়া পেসিফিক্কী অতোপ্পা মরু ওইবা টুরিষ্ট পন্থুংফমশিংদসু লৈবা উই।

কোভিদ-১৯ পান্দেমিক শন্দোরকপা থিংনবগীদমক্তা কুতা এরিয়াগী বিচ খুদিংমক মী চঙবা থিংলে হায়না চাইনাগী মথংদা এসিয়াগী ওইনা কোরোনাভাইরসনা মী মশিং য়াম্না শিহনবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ইন্দোনেসিয়াগী বালিদা থেৎপা সাইন অমদা ইখি।

হৌখিবা চহীগী অথেংবা শরুক্তা সেন্ট্রেল চাইনাদগী শন্দোকপা হৌখিবা কোরোনাভাইরসনা হৌজিক ফাওবদা ইন্দোনেসিয়াদা পুন্না মীওই ৩০৬ শিহনখ্রে অমসুং লৈবাক অসিগী পোজিটিভ কেস মশিং ৩,৫১২ য়ৌখ্রে। তৌইগুম্বসুং য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংগা চাংদম্নবদা চাংয়েংগী চাং নেম্বনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিগী ওফিসল ইনফেক্সন মশিং অসি থাঙ্গৈশেংনা লৈরম্বা য়াবা অশেংবা কেস মশিংদগী য়াম্না হেন্না হন্থরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

ইষ্টরগী মতম অসি মহৌশানা বালিদা মীপুম খুদিংমক মথৌ চিন্নবা ওইরবসু চহী অসিগী ওইনদি মদু থোক্লরোই। মফম অসিগী বিজিনেস চাদা ৯৫ হন্থরে হায়না রুজু কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোকখি।

সুভেনির দুকান তৌবা মীওই অসিনা মহাক চান-থক্লবা পোৎলমশিং লৈনবা হোৎনবদা মীঙোন্দগী শেল পুরে হায়নসু ফোঙদোকখি। অমরোমদা, ওষ্ট্রেলিয়ন দনিয়ল বেকর কৌবা মীওই অমনদি সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লগা বিচতা শাজেল তৌবনা হকচাং ফহনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

## কোরোনাভাইরসকী লাইচৎনা মরম ওইদুনা য়ু দুকানশিং থোঙ লোন্নখিবদগী দি-এদিক্সন সেন্টরশিংদা ক্রাইসিস কোল কয়া লাক্লে




চেন্নাই, এপ্রিল ১০ (এজেন্সি) :
টামিল নাদুদা ষ্টেটনা চল্লাইবা য়ুগী দুকানশিং কোভিদ-১৯গী লোকদাওন্না মরম ওইদুনা থোঙ লোন্নখিবদগী কেপিটেল চেন্নাইদা লৈবা অলকোহোল দি-এদিক্সন সেন্টরশিংনা য়ুদা লায়চুরবশিংগী ইমুংশিংগী মীওইশিংদগী ইমজেন্সি কাউন্সেলিংশিংগীদমক্তা ফোন কোল কয়া লাক্লে হায়না কাউন্সেলরশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

কাউন্সেলরশিংনা হায়খি, হৌজিক অসি ষ্টেট গভর্নমেন্ট অমসুং মিদিয়ানা দি-এদিক্সনগী মেসেজ কন্না শন্দোকপদা মতেং পাংবগী চপ চারবা মতম্নি। কোরোনাভাইরসকী অকিবা লৈবা অমসুং লোকদাওন্না মরম ওইদুনা দি-এদিক্সন সেন্টরশিংনা অনৌবা পেসেন্টশিং লৌদবগা লোয়নননা মখোয়না পেসেন্টশিং অদু গভর্নমেন্ট হোস্পিটালশিংদা রিফর তৌরি।

হৌজিক লাক্লিবা কোলশিং অসি ইমুংগী মীওইশিংনা মখোয়গী য়ুদা লায়চুরবা মচা-মশুশিং নৎত্রগা মচিন-মনাওশিংদা অলকোহোল ৱিথদ্রোৱল লাইওংশিং উবদগী মীপাইনদুনা তৌরকপা ইমর্জেন্সি/ক্রাইসিস কোলশিংনি। হৌজিক তৌরক্লিবা কোলশিংগী মওং অসি লোকদাওনগী মমাংদা লাকখিবা কোলশিংগা খেন্নে হায়না টি টি কে হোস্পিটালগী সিনিয়র কাউন্সেলর জেককুইলিন দেবিদনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, য়ুদা লায়চুরবশিংনা য়ু ফংদবদগী কা হেন্না শাওবা অমসুং শাথিবা থৌওংশিং উৎনরকপগী ফিভমশিংগা মরী লৈননা মখোয়গী ইমুংগী মীওইশিংনা দি-এদিক্সন সেন্টরশিংদা কোল কয়া তৌনবা লৈরে। লোকদাওন মতুংদা য়ু ফংদবনা মরম ওইদুনা য়ুদা লায়চুরবা ষ্টেট অসিগী মীওই কয়া য়ুগী মহুৎ শিন্নবা হূগী কেমিকেলশিং য়াওবা মহিশিং থক্লুবদগী শিবা লৈখ্রবনি।

## 'ইনফেক্সনগী চাং নেম্লি; কম্ম্যুনিটি ট্রান্সমিসন থোক্ত্রি'



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১০ (এজেন্সি) :
চিংনবা মীওইশিংদগী লৌরিবা সেম্পলশিংগী মতুং ইন্না ইন্দিয়াদা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সনগী চাং ৱাংবা ওইদ্রি অমসুং হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা কম্ম্যুনিটি ট্রান্সমিসনগী ফিভম লৈত্রি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী জোইন্ট সেক্রেটরি লভ অগরৱালনা হায়খি মদুদি, কোরোনাভাইরসকী ইনফেক্সন অসি লৈবাক অসিদা কম্ম্যুনিটি ট্রান্সমিসনগী থাক য়ৌদ্রি। অদুনা মীয়াম্না মীপাইনিংঙাই ওইদে। নোংমদা চাংয়েং ১৬,০০০ পাঙথোকপদা শুপ্নগী চাদা ০.২ কেসশিংদমক পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনৈ হায়না ফোঙদোকপগা লোয়নননা মহাক্না কোরোনাভাইরস ইনফেক্সনগী চাং অসি লৈবাক অতৈগা চাংদম্নবদা ৱাংই হায়না লৌবা য়াদে হায়খি।

গভর্নমেন্ট লেব ১৪৬না কোভিদ-১৯ দিটেক্ট তৌনবা সেম্পলশিং চাংয়েং তৌরি অমসুং প্রাইভেট ৬৬ তসু অসিগুম্বা চাংয়েং পাঙথোক্লবা অয়াবা পীরে হায়না হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্ট্রি অসিগী ওফিসল অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, চহী অসিগী জন্যুৱারিদা মখোয়না শুপ্নবগী লেব অমখক্তা থবক তৌবা হৌখিবা মতুংদা লেব ১৫ শুরকখি। হৌজিক ফাওবদা নোংমদা লেব ২.৫কী চাংদা হাপচিন্দুনা চাংয়েং তৌবগী চাং শীংথানিংঙাই ওইনা হেনগৎহল্লে।

ইন্দিয়াদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা কম্ম্যুনিটি ট্রান্সমিসনগী ফিভম লাক্ত্রিবা ওইরবসু লৈবাক অসিগী মীয়াম্না য়ারিবমখৈ চেকশিন্না লৈদুনা তৌগদবশিং অমসুং তৌরোইদবশিং নীংথিনা ঙাক্কদবনি হায়নসু ওফিসল অসিনা ফোঙদোকখি।

## মেদিকেল এক্সপার্ট গ্রুপনা লোকদাওন শাংদোক্লবা রেক্কমেন্দ তৌখ্রে



চেন্নাই, এপ্রিল ১০ (এজেন্সি) :
টামিল নাদু গভর্নমেন্টনা শেমখিবা মেদিকেল এক্সপার্ট গ্রুপনা ষ্টেট অদুদা লোকদাওন মখা তানা চয়োল অনী শাংদোক্লবা রিকমেন্দ তৌখ্রে হায়না ইরাই নুমিত্তা গ্রুপ মেম্বর অমনা ফোঙদোকখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা থাংজ নুমিত্তা পাঙথোক্কদবা কেবিনেট মীফমদা গভর্নমেন্টনা ৱারেপ অমা লৌরবা য়াই হায়না থাজনরি। ষ্টেট অদুদা কোরোনাভাইরসকী চাংয়েংদা পোজিটিভ ওইবগী কেস মশিং হেনগৎলকপগা লোয়নননা নুমিৎ ২১নিগী ওইবা লোকদাওনগী মতম এপ্রিল ১৪দা লোইগদবা অসি য়েংলগা এক্সপার্ট গ্রুপ অসিনা রেকমেন্দেসন অসি পীখিবনি।

কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা থিংবা অমসুং পেসেন্টশিংদা পীরিবা ইক্বিপমেন্টকী মতাংদা টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর কে পালানিস্বামিনা ইরাই নুমিত্তা এক্সপার্ট কম্মিটি অসিগা লোয়নননা অতৈ ষ্টেট গভর্নমেন্ট ওফিসলশিংগা মীফম অমা পাঙথোকখি।

মীফম অদু লোইরবা মতুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা মেদিকেল এক্সপার্ট গ্রুপ অদুগী মেম্বর অমনা হায়খি মদুদি, গভর্নমেন্টনা তোঙান-তোঙানবা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখত্তুনসু কোরোনাভাইরসনা পীরিবা চৈথেং অসি হেনগৎলক্লি হায়না লৌবা য়াই। ফিভম অসিনা মরম ওইদুনা গ্রুপ অসিনা লোকদাওনগী মতম মখা তানা চয়োল অনী অমগসু শাংদোক্লবা রিকমেন্দ তৌখ্রে। ষ্টেট অদুদা হৌজিক কোরোনাভাইরস শন্দোকপগী তাঙ্কক অনীশুবদা লৈরি অমসুং অহুশুবা তাঙ্কক হায়বদি কম্ম্যুনিটি ট্রান্সমিসনগী ফিভম লাকপা য়াবনা অসিগুম্বা ফিভম অসি থিংহৌনবগীদমক্তা গভর্নমেন্টনা থৌরাং কয়া লৌখৎলি হায়না শগোলশেল নুমিত্তা চীফ মিনিষ্টর পালানি স্বামিনা ফোঙদোকখিবনি।

ষ্টেট অদুদা পোজিটিভ কেস মশিং হেনগৎলক্লিবদু য়েংলগা লোকদাওন শাংদোকপগী ৱারেপ অসি তোঙান-তোঙানবা ফিভম কয়া য়েংশিল্লবা মতুংদা লৌগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

## 'নেপালদগী ইন্দিয়াদা কোরোনা সস্পেক্ট কয়া চঙশিল্লক্লে'



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১০ (এজেন্সি) :
নেপালদগী ইন্দিয়াদা কোরোনাভাইরস পল্লম্বা য়াই হায়না চিংনবা ইন্দিয়ন মুস্লিম নেসনল কয়া থাজিল্লক্লে হায়না ফোঙদোক্লদুনা পেরামিলিটরি ফোর্স অমা ওইরিবা সাষষ্ট্রা সিমা বাল (এস এস বি)গী ইন্টলিজেন্সকী ৱিংনা গভর্নমেন্ট অমসুং সিক্যুরিটি এজেন্সিশিংদা মীৎকুপ-নাহুম শীংনা লৈনবা খঙহনখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসকী মখাতা লৈরিবা এস এস বিনা কিলোমিটর ২৪৫০ শাংবা ইন্দো-নেপাল অমসুং ইন্দো-ভুটান বোর্দর ঙাক শেনবগা লোয়নননা মখোয় উত্রাখন্দ, য়ু পি, বিহার, ৱেষ্ট বেঙ্গল, সিক্কিম, অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী ইন্টরনেসনল বোর্দর পরিংদসু ঙাক শেন্দুনা লৈরিবনি।

ফোর্স অসিগী ইন্টলিজেন্স ৱিংনা এপ্রিল ৩ দা বিহারগী ৱেষ্ট চাম্পরন দিষ্ট্রিক্টকী মেজিষ্ট্রেট অমসুং ভেতিয়াগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসতা হীরম অসিগা মরী লৈননা মীৎকুপ-নাহুম শীংনা লৈনবা খঙহনখি।

নেপালদগী ইন্দিয়াদা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বা য়াবগী চিংনবা লৈবা ইন্দিয়ন নেসনল মুস্লিম কয়া চঙশিল্লক্লে হায়বগী থাজবা য়াবা ইন্টলিজেন্স ইনপ্যুট লৈরে হায়না ফোর্স অসিনা ফোঙদোকখি।

এস এস বিগী মকোক থোংবা ওফিসরশিং অসিনা ৱাফম অসি লোকেল ওথোরিটিশিংনা ওফিসল চেইদুনা খঙহনখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

তোপ ওফিসরশিং অসিনা লোকেল ওথোরিটিশিংদা থাখিবা চেরোল অমদা নেপালগী পার্সা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না সের্ৱা পুলিস ষ্টেসনগী মখাদা লৈবা জগনাথপুর কৌবা মফম অমগী জলিম মুখিয়া কৌবা মীওই অমনা ইন্দিয়াদা কোরোনা পান্দেমিক শন্দোক্লবা থৌরাং তৌরি হায়বগী ইনপ্যুট য়াম্না থাজনিংঙাই ওইবা সোর্সশিংদগী ফংলে হায়না ফোঙদোকখি। চেরোল অদুনা মখা তারদুনা এক্যুজ অসি নেপালদগী ইন্দিয়াদা নারোলদা খুৎলায় অমদি ফেক ইন্দিয়ন করেন্সি নোটশিং পুশিল্লকপদা চেন্নবা মীশক্কি হায়নসু পনখি।